# শান্নরোইশিংগী এসোসিয়েসনশিংনা চেকশিন মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ

নাগা পিছ টোল্ককী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়না ঙসি ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসন (অমসা), ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিয়েসন (অমভা), এথলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুর (এ এ এম) অমদি এল মণিপুর ফূটবোল এসোসিয়েসন (অমফা) না শীন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী পোলো গ্রাউন্দ মনীংদা লৈবা অমসাগী কমপ্লেক্সতা চেকশিন মীফম ফমখ্রে।

চেকশিন মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা অমসাগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম লোকেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, নাগাগী ইশু অসি খ্বায়দগী ফীভম লুবা পোলিটিকেলগী অমদি এদমিনিষ্ট্রেসনগী ক্রাইসিস অমনি। হৌজিক ইন্দিয়া লৈঙাক্না এন এস সি এন (আই এম) গা পিছ টোল্ক চত্থদুনা ৱারোইশিন অমা য়াম্না থুনা পুরক্নবা হোৎনরে হায়বসি য়াম্না নুংঙাই।

অদুবু পিছ টোল্ক অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরকপা মতমদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম লৈঙাক্লোন অমদি কলচরেল আইদেন্টিটিদা অকায়বা পীরকপদি য়ারোই। হায়রিবা পিছ টোল্ক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা হায়রিবশিং অসি শোক্লক্কদ্রা হায়বসি মীপাইদুনা ঙসিগী চেকশিন মীফম অসি ফম্বনি।

অমরোমদা, ঙসি পাওনা ইন্টরনেস্নেল মার্কেটতা দুকান ফম্লিবশিংনা মার্কেট অসিদা লৈবা দুকানশিং থোঙ লোন্দুনা ইন্দো-নাগা পিছ টোল্ককী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা কায়হনবা য়ারোই হায়দুনা মীয়াম্না চেকশিন মীফম ফমখ্রে।

কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টেগ্রিটি (কোকোমি) গী লমজিং মখাদা চত্থখিবা চেকশিন মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা পাওনা ইন্টরনেস্নেল মার্কেটতা দুকান ফম্বা সুরেশকুমার ইরেংবমনা হায়খি, মতম শাংনা চত্থরক্লিবা ইন্দো-নাগা পিছ টোল্ক অসিগী ৱারোইশিন লাকপা মতমদা হীরম অমতন্দা মণিপুরগী শক্তম কায়হল্লকপা য়ারোই।

মণিপুরদা মীয়াম্না তংদু- লৈতাদবা ফীভম অমদা লৈরক্লিবসি মতম য়াম্না কুইশিল্লক্লে। মসি অথুবা মতমদা মণিপুর লৈঙাক্না অখন্নবা এসেমব্লি সেসন অমা কৌদুনা ঐখোয়গী ওইবা ফিরেপ লৌবিদুনা মীয়াম্বু তংদু- লৈতানা লৈহল্লু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

চেকশিন মীফম অদুদা কোকোমিগী থৌমীশিংসু লাক্কুনা মখোয়গী ওইবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। লোয়ননা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই, ইমা লৈবাক্না য়াইফরে, লোং লিভ মণিপুর হায়বনচিংবা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

# বাইওটেক ইন্দিয়াদা মোমাগী ষ্টোলনা বাইয়র অমদি এক্সপোর্টরশিংবু পুংশুম শুমহৎখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ৯(এস এন এস)ঃ

ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা ওর্গানিক ফেয়ার বাইওটেক ইন্দিয়া অসি মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সি (মোমা)গী ষ্টোলনা ইন্দিয়া মনুং অমদি মপান লমদগী লাকপা বাইয়র অমদি এক্সপোর্টরশিংবু শুমহৎখ্রে। মখোয়না মোমাগা লোয়ননা থবক তৌমিন্ননিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লম্লে হায়রি।

গ্রেটর নোইদাদা লৈবা ইন্দিয়া এক্সপোর্ট মার্টতা হৌখিবা নবেম্বর ৭ তগী হৌদুনা পাঙথোকখিবা ওর্গানিক ফেয়ার অদু ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী মনুং অমদি মপানদগী লাকপা ষ্টোল পুন্না ১৯০ না শরুক য়াখি হায়রি।

চত্থখিবা ফেয়ার অদুদা মোমাগা লোয়ননা মিসন ওর্গানিক ভেল্যু চেইন দিভলপমেন্ট ফোর নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনগী মখাদা থবক তৌরিবা ফার্মর প্রদ্যুসর কম্পনি ১০ গী বোর্দ ওফ দাইরেক্টরশিং অমদি মীহুৎশিং লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ওর্গানিক্কী ওইবা চিঙ্গাকশিং পুথোক্লিবা ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিং-মৈরা ফুদ্স, রিমা ফুদ্স, নাগা স্পাইসেস এন্দ হার্বস অমদি লুৱাং এগ্রোটেকনচিংবগী মীহুৎশিং লোয়ননা মোমাগী ওফিসিয়েলশিংনা ফেয়ার অদুদা শরুক য়াখি।

নুমিৎ হুম্নি চত্থখিবা ওর্গানিক ফেয়ার অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

ফেয়ার অসিদা ইন্দিয়াগী মপানগী লৈবাকশিংদগী লাকপা বাইয়র, এক্সপোর্টর অমদি ইম্পোর্টরশিংনা মোমাগা লোয়ননা থবক তৌনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লম্লে হায়না মোমাগী প্রোজেক্ট দাইরেক্টর কে দেবদত্ত শর্ম্মনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হায়, মপান লমগী এক্সপোর্টরশিং, বাইয়রশিং অমদি ইম্পোর্টরশিংনা মণিপুরগী ওর্গানিক্কী পোথোকশিং অসিগী মার্কেটশিং অদু থিদোকমিন্নদুনা মোমাগা খূৎশম্নুনা থবক তৌনিংবগী অপাম্বশিং ফোঙদোক্লমখি।

করিগুম্বা মপান লমগী এক্সপোর্টরশিং, ইম্পোর্টরশিং অমদি বাইয়রশিং অসিগা খূৎশম্নুনা থবক তৌমিন্নবা মতমদা মখোয়গী দিমান্দ অসি পীবা ঙমগদ্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। মসিগী দিমান্দ অসি পীবা ঙমহনগে হায়রবদি ওর্গানিক ফার্মিং অসি হেন্না পাকথোক চাউথোক্লা চঙশিনবগী তঙাইফদবা লৈরি। মসিগী থবক অসি পাঙথোকপা মতমদা লৌমীশিংগী মতেং তঙাইফদনা চংই হায়খি।

ফেয়ার অসিগী ঙসি লোইশিনবা নুমিত্তা মণিপুর লৈঙাক্কী শক্লাইরবা সেনিয়ার এদমিনিষ্ট্রেটর মঙা কম্মিস্নর হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন এম হরেকৃষ্ণ, কম্মিস্নর এগ্রিকলচর এম জয়, কম্মিস্নর রেভিন্যু ঐচ জ্ঞানপ্রকাশ, কম্মিস্নর য়ুঠ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্ট বোবী ৱাইখোম অমদি কম্মিস্নর এড়ুকেসন টি রঞ্জিৎ সিংহনা মোমাগী ষ্টোল অদুদা লাক্কুনা হকথেংননা য়েংশিনলমখি। লোয়ননা মখোয়না মপান লমগী বাইয়রশিংগা হকথেংননা ৱারী শান্নদুনা ষ্টেট অসিদা ওর্গানিক ফার্মিংগী মখাদা লৈরিবা প্রোস্পেক্টশিংগী মতাংদা খন্নখি।

আই এ এস ওফিসারশিংগী টিম অদুগা লোয়ননা প্রোজেক্ট দাইরেক্টর মোমা কে দেবদত্ত, এম ও ভি সি দি এন ই আর (এগ্রি)গী নোদেল ওফিসারনচিংবনা ষ্টোল অদু পুন্না য়েংমিন্নখি।

# মৈতৈ পাঙল খুন্থোক নুমিৎ হায়বসিদা সেমিনার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (এস এন এস) ঃ

মৈতৈ পাঙল খুন্থোক নীংশিং থৌরম কম্মিটি (মৈপাক নিংথৌ কম্মিটি) না শীন্দুনা মৈতৈ পাঙল খুন্থোক নুমিৎ হায়বা হীরম অসিদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা ঙসি ইম্ফালগী গান্ধী মেমোরিয়েল হোলদা পাঙথোকখ্রে।

সেমিনার হৌদোকপগী থৌরম অদুদা প্রেসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা মৈপাক নিংথৌ কম্মিটিগী কনভেনর বি কে মোইরাংচানা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিদা খুদাদুনা লৈতাদুনা লৈরিবা মৈতৈ পাঙলশিং অসি মৈতৈশিংগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা ফুরুপ অমখক্লি। মৈতৈ পাঙল হায়রিবা ফুরুপ অসি মণিপুরদা কুমজা ১৫৯৭ দগী ১৬৫২ ফাওবদা পানখিবা খাগেম্বা নিংথৌগী মতমদা মৈতৈ নিঙোল অমদি য়ুল্লাক শাগে পীদুনা লৈহনখ্রবা ফুরুপনি।

হায়রিবা ফুরুপ অসিগী চাদা- নৌদা ঙাক্তনি ঙসি মণিপুরদা লৈরিবা মৈতৈ পাঙল ইচিন-ইনাওশিং অসি। মৈতৈগা তৎন-থানবা য়াররোইদবা ফুরুপ অসি করি নুমিৎতা মতৌ করম্না মণিপুরদা খুদাদুনা ঙসি ফাওবা লৈরক্লিবনো হায়বসি মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবা পান্দমদা ঙসিগী সেমিনার অসি পাঙথোকচবনি।

সেমিনার অসিদা লৌরকপা ৱারেপকী মতুং ইন্না মৈতৈ পাঙলশিংনা মণিপুরদা খুন্দাবা হৌখিবগী চপ চাবা নুমিৎ অমা পুথোক্লবা মতুং নুমিৎ অদুদা চহী খুদিংগী মৈতৈ পাঙলশিংগী খুন্থোক নুমিৎ থৌরম অসি পাঙথোক্কনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ঙসি পাঙথোক্লিবা সেমিনার অসি মুস্লিমশিংগী নত্তে মৈতৈ পাঙলশিংগী ওইনা পাঙথোকপনি। মুস্লিম অমদি মৈতৈ পাঙল অনী অসিগী খেন্নবা য়াম্না লৈ। মৈতৈ পাঙল হায়বা ফুরুপ অসি মণিপুরদা পানখিবা খাগেম্বা নিংথৌনা য়ুল্লাক অমদি মৈতৈ নিঙোল পীদুনা শন্দোক্লগা হৌজিক ফাওবা লৈরিবশিং অসি ময়েক শেংনা মৈতৈ পাঙলনি হায়না লৌই। মখোয় নত্তবা কোন্না চঙলকপা কাঙবু অদুদি মৈতৈ পাঙল ওইনা লৌবা য়ারোই।

নৌনা হৌরক্লিবা অঙাংশিং অমদি মহৈরোইশিং অসিদা স্কুলগী এদমিসন তৌবা মতমদা য়ুল্লাক শাগে হাপ্পসু কন্না চঙশিল্লি। মৈতৈ অমসুং মৈতৈ পাঙল অনী অসি মাগী-মাগী তোঙানবা লাইনিং অসি লপ্পেবগুম উরি। মসি লাইনিং তোঙানজরসু ঐখোয় ঈ মরীনি, তৎন-থানবা য়াররোইদবা ফুরুপনি হায়বসি হৌরক্কদবা মীরোলদা খঙহনবা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম এম দব্লিউ ওগী প্রসিদেন্ট অব্দুল্লাহ ফুন্দ্রেময়ুম, অমুকোগী প্রসিদেন্ট পিঐচ নন্দো লুৱাং, য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট ৱারেপম সেকেন্দ, ইপাক্কী প্রসিদেন্ট কেএসঐচ সোমোরেন্দ্রো, হেরিকোন প্রসিদেন্ট লোংজম রতনকুমার লিপুল অমসুং সিরকাগী প্রসিদেন্ট সোমোরেন্দ্রো থোকচোম অমদি সি সি এস কেগী প্রসিদেন্ট জিতেন্দ্র নিংঙোম্বসু প্রেসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা মণিপুরদা মৈতৈ পাঙলশিংনা খুন্থোকপা অমদি লমদম অসিদা মখোয়গী থৌদাং, করি মরমগীদমক খুন্দা লৈতাখ্রিবনো, খুন্দারকপা অসিনা শেন্মীৎলোন লৈঙাক্লোনদা করি অহোংবা পীখিবগে হায়বগী মতাংদা ৱাঙাংলোইশিংনা পুৱারীগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখি।

# ঙসিসু মফম কয়াদা চেকশিন মৈরা খোঙচৎ চৎখি

ইম্ফাল,নবেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সি এন (আই এম) গী শান্তিগী ৱারী শান্নরিবা অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি অমদি অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়না কোকোমিনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিবু শৌগৎতুনা ঙসি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা ঙসি নুমিদাং চেকশিন মৈরা খোঙচৎ চৎখ্রে।

তাকয়েল কোলোম লৈকাই মৈরা পায়বীনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা খোল্লাওগা লোয়ননা ইম্ফাল জিরি লম্বীদা চেকশিন মৈরা খোঙচৎ চৎখি। হৈনৌপোকরোমদগীসু লমদম অদোমগী ইমা ইবেলশিংনা চেকশিন মৈরা খোঙচৎ চৎখি। মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই, লোং লিভ মণিপুর হায়বা খোল্লাও লাওদুনা তেরা কৈথেল ফাওবা লাকখি। মফম অদুদা মশীং য়াম্লবা পার্সোনেলশিংনা ইমাশিং অদুবু থৎতুনা চংহনখিদে। ঙইহাক ইমা ইবেল অমদি পুলিস পার্সোনেলশিং অনীগী মরক্তা মুক্নরবা মতুংদা মফম অদুদগী মমাই লৈহন্দুনা চেকশিন মৈরা খোঙচৎ অদু হলহনখি।

অমরোমদা লাংজিং অচৌবদসু লমদম অদোমগী ইমা ইবেলশিংনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়না চেকশিন মৈরা খোঙচৎ চৎখি। শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তসু মফম অদোমগী ইমা ইবেলশিংনা এন এস সি এন অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা চত্থরিবা পীছ টোল্কনা মণিপুরগী শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়বা খোল্লাও কয়াগা লোয়ননা চেকশিন মৈরা খোঙচৎ চৎখি। চেকশিন মৈরা খোঙচৎ অদু ৱাহেংবম লৈকাই ফাওবা লাকখি। মফম অদুদগী পুলিসনা মখা তানা খোঙচৎ অদু চংহনখিদে।

লোয়ননা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু ইমা ইবেলশিংনা নাগা শান্তিগী ৱারীনা মণিপুরগী ঙমখে কায়হনবা য়ারোই হায়না চেকশিন মৈরা খোঙচৎশিং চংনখি।

## ইম্ফাল-মোরেগী ...

*লমায় ১গী মখা* খোঙজং অসিবু থৌশাদদুনা গাড়ী চৎলম্বা থেংনরবদি লম্বী অসিদা গাড়ী চেন্নবগী পার্মিট অদু থা অহুমগী ওইনা এসোসিয়েসন অসিনা পায়শিনগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা ৱারী শান্নবদা য়াওবা নাগালেন্দদা বেজ তৌবা লালহৌলূপ খরদি ওফিসশিং এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনরগনি হায়দুনা ছো লোনশিনবা হৌনখ্রবনি।

## য়েৎনদুনা লাকখিবা মফমদা রাম মন্দির শাবা সুপ্রিম কোর্টনা ...

*লমায় ১গী মখা* পুশিনবা য়াদে।

আর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী রিপোর্টতা মতীক চাবা খুদম চাংদমগা লোয়ননা ৱারোইশিন পীরি মদুদি বাবরি মসজিদ অসি অহাংবা লম অমদা শাখিবা নত্তে। য়েৎনরিবা য়ুমশা অসিগী মখাদা য়ুমশা অমা লৈরম্বগী খুদম লৈ হায়না বেঞ্চ অদুনা ফোঙদোক্লি।

মসজিদ অসি নিংথৌরেল বাবরগী য়াথং মতুং ইন্না মির বাগীনা শাখিবনি। অদুম ওইনমক চহী খরগী মমাঙদা মসজিদ অদুবু থুগায়খিবা অদুদি লৈবাক অসিগী লোবু শীংনবনি হায়না খ্বায়দগী ৱাংবা কোর্ট অদুগী ওর্দর অদুদা পল্লি।

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা আযোধ্যগী কেস অসিগী মতাংদা মশাগী ৱাখল ফোঙদোক্লদুনা হায়, জষ্টিস পুরক্নবা শোক্নখিবা হিন্দু অমদি মুস্লিমগী থৱায় পূন্নমকপু ইকায় খূন্নবা উৎলি। অচুম্বনা মায় পাকই। সুপ্রিম কোর্টকী বেলেন্স জজমেন্টদা কোক নোঞ্জরি।

সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অদুনা নুমিৎ ৪০ নি শাংনা হিয়ারিং চত্থরবা মতুংদা ওক্টোবর ১৬ তা জজমেন্ট রিজার্ভ তৌদুনা থমখিবনি। এল্লাহবাদ হায়কোর্টকী কুমজা ২০১০ দা আযোধ্যগী লম একর ২.৭৭ অসি পার্টি মরি হায়বদি সুন্নি ৱাকভ বোর্দ, নির্মোহি অখরা অমদি রাম লাল্লাদা চপ মান্ননা য়েনগদবনি হায়না পীখিবা জজমেন্টকী মায়োক্তা আপিল ১৪ ফাইল তৌরকখিবনি। এপেক্স কোর্ট অসিনা য়েৎনরিবা কাঙবুগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্নবা হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা ওগষ্ট ৬ তগী হৌনা নুমিৎ খুদিংগী লেপ্পা লৈতনা হিয়ারিং চত্থখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অদুগী মতাংদা ওল ইন্দিয়া মুস্লিম পার্সোনেল বোর্দনা হায়, মখোয়না সুপ্রিম কোর্টকী রাই অদুবু ইকায়খুম্নে। অদুবু রাই অদু পেন্নিংঙাইহদি ওইদে। রাই অদুগী শরুক খরদি লৈবাক অসিগী অপূনবগী শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা য়াম্নমক মরু ওই।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা বোর্দকী সেক্রেটরী জগফরিয়াব জিলানিনা মীয়ামদা ইংনা-চিক্না পূক্নীং ফাথবীনবা আপিল তৌখি। ৱায়েল অদু কূপ্না য়েংশিল্লবা তুংদা অমুক হন্না ৱাকৎনবগী ৱারেপ অমা বোর্দ অসিনা লৌগনি।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা রাষ্ট্রিয়া সোয়মসেভক শঙ্ঘগী মকোক ডা মোহোল ভগৱতনা হায়খি, সুপ্রিম কোর্টনা পুৱারী ওইরবা ৱায়েল অমা পীরে অমসুং মসি কনাগুম্বা অমত্তগী মায় পাকপা নৎত্রগা মায়থিবা ওইনা লৌরোইদবনি। মীয়াম্না হৌজিক্তি মাঙদা য়ানখিদবা কয়া অদু কাউথোক্নদুনা রামগী মন্দির অমা শাননবা পূন্না থবক পায়খৎমীন্নগদবনি।

লাইনিংবা শ্রী শ্রী রবি সঙ্করনা হায়খি, অযোধ্য ৱাথোক্কী ৱায়েল অসিনা কাঙলূপ অনীমক্কী মীয়ামদা পূক্নীং লৈতাহনবা অমদি নুংঙাইবা পোকহল্লে। উত্তর প্রদেশতা সুন্নি সেন্ট্রেল ৱাকফ বোর্দনা সুপ্রিম কোর্টকী জজমেন্ট অদু তরাম্না ওকখ্রে। মরক অসিদা উত্তর প্রদেশতা অঙকপা ফংলবা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে। য়েৎনরিবা মন্দির ময়াদা পেরামিলিটরি ফোর্স ৪,০০০ গী মথক্তা থল্লি। উত্তর প্রদেশতা মোবাইল দাটা সার্ভিস থিংজিনখ্রে। গুজরাটতসু পুলিসকী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে। রাজস্থান্দদি স্কুল, কোলেজশিং ছুটি থাদোকখ্রে।

কোর্টকী জজমেন্ট অদুগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা পীখিবা ৱারোলনা হায়, জজমেন্ট অদুনা মীয়াম্না লৈবাক অসিগী লোবু থাজবা হেনগৎহল্লগনি। ৱায়েল অদু কনাগুম্বা অমগী মায় পাকপা নৎত্রগা মায়থিবা ওইনা লৌফম থোক্তে। মীয়াম্না ইংনা চিক্না, নুংশি-চান্ননা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নসি।

## অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ থৌরম ...

*লমায় ১গী মখা* ৱাফমনি হায়রি।

মসি পুৱারীগী অচুম্বা ৱারীশিংনা ময়েক শেংনা তাক্লি অমদি মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্না মসিবু শৌগৎকনি হায়বসি প্রিপাক্কী থাজবনি। মসিগী ময়েক লারবা খুদমদি মণিপুর কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ গী মখাদা কুমজা ১৯৪৮ কী জুন ১১ দগী ওগষ্ট ২৭ ফাওবা তাঙ্কক তরা থোক্না পাঙথোকখিবা এদুল্ট ফ্রান্সিসদা য়ূম্ফম ওইবা মীখল অদুনা মীয়ামগী মীহুৎ ৫৩ খনদুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা লৈঙাক ৱায়েল চত্থবা হৌরকখি হায়রি।

এম কে প্রিয়োব্রতনা চীফ মিনিষ্টর ওইবা গভর্ণমেন্ট অদুগী অহুমশুবা সেসনগী মরিশুবা এসেমব্লি মীফম মিনিষ্টর ৬ অমসুং মেম্বর ৪৩ না শরুক য়াদুনা মতম অদুগী মণিপুর ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী চেম্বর ওইনা শীজিন্নরম্বা জোনষ্টোন হায়স্কুল প্রেমিজেসদা হোনরেবল মেম্বর টিসি টিয়াংখমনা স্পিকর ওইদুনা কুমজা ১৯৪৯ গী সেপ্টেম্বর ২৮ দা ফমখি মখা তারি।

হায়রিবা এসেমব্লি মীফম অদুদা মতমদুগী মমিংতগী ওইনা লৈরবা ইনিংথৌ বোধচন্দ্রবু শিল্লোংদা কৌদুনা কুমজা ১৯৪৯ গী সেপ্টেম্বর ২১ দা এদভাইজর টু দ গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, মিনিষ্ট্রি ওফ ষ্টেট শ্রী ভাপল পাঙুনি মেনন অমদি গভর্ণর ওফ অসাম শ্রী প্রকাশা মখোয় অনীনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শিল্লোংগী রেদলেন্দসদা পীনখিবা খূৎয়েক অদু চংনবা য়ারোই হায়না ৱারেপ লৌখ্রবনি।

অমরোমদা মতমদুগী কন্সটিট্যুসন অমা ওইনা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া এক্ট ১৯৩৫, অসিগী পার্ট-২, চেপ্টর ১, সেক্সন ৫(২)(বি) অসিবুসু থুগায়দুনা ইরমদম কংলৈপাকপু ইন্দিয়ানা নস্রৌ লৌশিনখিবনি। মখোয়না নম্ফু-হাফুন্দা তৌশিনখিবা ময়াম অদুগী মহয়না ঙসিদি মালেমগী মীয়াম্না কংলৈচাশিংগীদমক লেপ্পীরক্তুনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা ৱা ঙাংবা হৌরক্লে হায়নসু মখা তারি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়া লৈবাক অসিবু কন্সটিট্যুসন অমা, লো অমা, লোন অমা, লাইনিং অমা, লৈঙাক ১ খক্কী মখাদা হিন্দু লৈবাক অমা ওন্থোক্নবা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লোইশিংনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। পান্দম অসিবু থবক্তা ওন্থোক্নবা অহানবা খূখাদা জম্মু কাশ্মীর কন্সটিট্যুয়েন্ট এসেমব্লিগী অয়াবা য়াওরগা শেমখিবা জম্মু কাশ্মীর কন্সটিট্যুসন অমসুং ইন্দিয়া কন্সটিট্যুসনগী অয়াবা মতুং ইন্না ষ্টেট অদুদা পীরম্বা স্পিসিয়েল ষ্টেটস অদু কাশ্মীর এসেমব্লি অমসুং ষ্টেটতুগী মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা হৌখিবা ওগষ্ট ৫ দগী লৌথোকখ্রে।

অদুগা ষ্টেটকী থাক্তগী চিংথরগা লদাখ য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমসুং জম্মু কাশ্মীর য়ুনিয়ন টেরিটোরি হায়না হন্থবা থাক্কী লৈঙাক অনী থোক্না খায়দোকখিবা অদুবু নীংতম্বা অপীকপা লৈবাক কয়াবু নম্ফু হাফু শীজিন্নদুনা অচৌবা মপাঙ্গল কনবা ইন্দিয়া অমা শেম্বদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরম্বা সরদার পটেলগী মপোক নুমিৎ ওক্টোবর ৩১ দগী চংনবা হৌখ্রে হায়রি।

ইন্দিয়া অপূনবা হিন্দু লৈবাক অমা ওইহন্নবগী বি জে পিগী অহানবা খূখা জম্মু কাশ্মীরদা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অনীশুবা খূখাদি মশীং য়ামজদ্রবা অৱাং নোংপোক লমদমগী মোঙ্গোলোইদ লমদমদনি। ইন্দিয়ানা কাশ্মীরদগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস লৌথোকখ্রিবসি লৈবাক অসি শীনবা থুংনা চপ মান্নবা লো চংনহন্দুনা খেন্নবা থমদনা মীয়ামদা চপ মান্নবা খুদোংচাবা ফংহন্নবনি হায়রি।

অদু ওইরবদি মখোয়না নাগালেন্দদগী আর্টিকল ৩৭১-এ, ইন্নর লাইন পার্মিট অমসুং কংলৈপাক্কী চীংগী লমদা চংনরিবা আর্টিকল ৩৭১-সি করিগী লৌথোক্লোইদৌরিবনো? ইন্দিয়া অপূনবা হিন্দু লৈবাক ওন্থোকপা হায়বা মখোয়গী পান্দম অসি ফংনবগীদমক অৱাং নোংপোক লমদমবু ঙাক্লৌ পীরিবা ইন্দিয়া কন্সটিট্যুসনগী প্রোভিজনশিং লৌথোকপা অমদি লমদমসিগী য়েলহৌমীশিং তুম্না মুখৎতুনা হিন্দু লমদম অমা ওন্থোকপা হায়বসি বি জে পি লৈঙাক্কী শোয়দনা পাঙথোক্লগদবা থবকনি। অদুনা ইন্দিয়াগী জেনোসাইদকী থৌরাং অসিদগী অৱাং নোংপোক লমদমনা করম্না নাম্থোক্কদগে হায়বদুদি ইরৈচা পূন্নমক্কী তঙাই ফদ্রবা থৌদাং অমসুং অপূনবগী ৱাখল পরিংদা অপূনবগী খোঙথাং অদুনা লেপ্পসি।

ঙসি ঙসিমক লমদমসিদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা লমদমসিদা য়েলহৌঙেদগী নুংশি চান্ননা লৈমীন্নরক্নবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা ইন্টেগ্রিটিদা শোক্লকপা অমদি লমখৈ কায়রক্কদ্রা হায়দুনা লৈবাক মীয়ামগী থম্মোয়দা লাংতক্নবা, খোয়শাওনবা অমদি থরক হুন্নরিবা মতমনি। অদুগীসু মথক্তা ইম্পেরিয়েলিষ্ট ইন্দিয়াগী হাউস অনীমক্তা পাস তৌদুনা লমদমসিদা সি এ বি চৎনহন্দুনা য়েলহৌমীশিং মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরক্নবা তংদু- লৈতাদ্রবা মতম অমনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, অসিগুম্বা লৈবাক্কী লাইবক লেপকন্দবা খোইরাং- খোইশাওনরিবা মতম অসিদা হরাউ-কূন্ধোদা হেদো মথোই কাদুনা নোক খেদুনা লৈথোকপগী মতম নৎত্রে, লৈবাক মীয়াম মীকপথোক্লসি, ইপা-ইপুশিংগী মমল নায়দ্রবা অঙাঙবা ঈখেঙতনা থম্বীরম্বা লৈবাক্কী ঙমখে, ঙাকমীন্নরসি, অপূনবগী শক্তম কায়হন্দনা থন্নবা ঐখোয় পূন্নমক খোল্লাও অমতা লাউমিন্নরসি। লোয়ননা য়েলহৌমীশিং মুৎখিদনবা অকনবা খোঙজং চঙশিনমীন্নসি। প্রিপাকনা লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা পাঙথোকচগদৌরিবা *অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ* তা ইরৈচাশিংনা লিশাং শিৎনা চত্থরক্লিবা নীংতম য়াওল লাম্থেংদা থৱায়না পোম্বা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা লৈ অমদি মৈরা কৎতুনা ইকায়খূম্নবা উৎমীন্নরসি হায়না আপিল তৌরক্লি।

লোই লৈঙাক্না নমদুনা চৎনহনখদ্রবা কংলৈপাক্কী পোপুলর গভর্ণমেন্ট অদুবু অমুক হঞ্জিন্নবগীদমক দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা লৈবাক্কী লুচিংবা-লুচিংবী কয়ানা অঙাঙবা ঈখেঙ কৎখিবগুম ইরৈচা খুদিংমক্না অদুগুম্বা থৌনা ফরবা লময়ানবশিং অদুগী খুদুং ইল্লসি অমদি পোপুলর গভর্ণমেন্ট অদুবু হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা প্রিপাক অমসুং মসিগী লান্মী শঙলূপ রেদ আর্মি (আর এ) না খোঙফম চেৎনা লেপ্পুনা থম্মোয় শেংনা শৌগৎকনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# ‘এম এস পি দি সি এলনা অয়াবা পীবিদবদগী মতম থেংথখিবনি’

ইম্ফাল,নবেম্বর ৯(এস এন এস)ঃ

মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিটেদনা সোলর পৱার অসি গ্রিদ লাইনদা ইনজেক্ট তৌনবা মৈ শম্নবা অয়াবা পীবিদবদগী গ্রীদ কনেক্টেদ সোলর পৱার প্লান্ট মথৌ তৌহন্নবা হোৎনবদা মতম থেংথবনি হায়না পাৎশোই এ সিগী এম এল এ কুমারি এ কে মিরাবাই দেবীনা ফোঙদোকখ্রে।

তওবুংখোক অৱাং লৈকাইদা লৈবা তাউবুংখোক ৱেলফেয়ার ক্লব অমদি পাৎশোই টুলিয়াইমা সেষ্ণুরি ক্লব বিল্ডিংদা নৌনা শেমগৎপা গ্রিদ কনেক্টেদ রুফ ত্রেপ সোলর পৱার প্লান্ট অনী শঙ্গাবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ মিরাবাইনা হায়, রুফ ত্রেপ সোলর পৱার প্লান্ট অসি শেমগৎপদা চঙবা শেনফমশিং অদু এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগীনি।

পাৎশোই এ সিগী মনুংদা লৈরিবা ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংনা মতম চানা মৈ শমজগে হায়রুবা মতমদা এম এস পি দি সি এলনা অয়াবা পীবিদবদগী পৱার প্লান্ট অসি শেমগৎপগী মতম থেংথখিবনি।

মমাঙগী লৈঙাক্কী মতমদা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা ৱাফমশিং য়াওনা মণিপুর গেজেটতা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা মৈ শম্বীযু হায়বদা এম এস পি দি সি এলনা য়াদ্রিবা অসি মখোয়দা করি ৱাখল্লোন লৈবদগীনো খঙদে।

ক্লব ওর্গনায়জেসনশিং অসিদা সোলর পৱার প্লান্ট লিংলবা মতুংদা ষ্টেট অসিগী তঙাইফদবা মৈ পুথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবনি। মসিদা এম এস পি দি সি এলনা মৈ রেজিষ্টার তৌবা য়াহন্দনবা হোৎনরিবা অসি শেঙদোকহন্নিংই।

হৌজিক ষ্টেট অসিগী তঙাইফদবা মৈ অসি মপান্দগী পুশিনলকপনি। ষ্টেট অসিদা পৱার প্রোজেক্টশিং লৈতবনা তঙাইফদবা মৈগী চাং অদু ফংবা ঙমদনা লৈরিবনি।

# নেসনেল লিগেল সার্ভিস দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিটি অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিটি অমসুং চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সকী লিগেল এইদ ক্লিনিক্না শীন্দুনা ঙসি চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা ‘নেসনেল লিগেল সার্ভিস দে’ পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ওল মণিপুর বার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এন নিলচন্দ্র সিংহ, মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিটিগী দিপ্যুটি মেম্বর সেক্রেটরী এস সদানন্দা সিংহ অমদি ওল মণিপুর বার এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী টি ঐচ মনিহার সিংহনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিস ওথোরিটিগী দিপ্যুটি মেম্বর সেক্রেটরী এস সদানন্দা সিংহনা হায়, নেসনেল লিগেল সার্ভিস এক্ট চৎনবা হৌখিবা নুমিৎ অদুবু নীংশিংবা ওইনা নেসনেল লিগেল সার্ভিস দেগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। নেসনেল লিগেল সার্ভিস এক্টকী মখাদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্তা ষ্টেট লিগেল সার্ভির্সেস থমদুনা ৱাকৎফম খঙদবা অমদি শেল থুমগী ফিভম ফৎত্রবা মীয়ামগীদমক লিগেলগী ওইবা মতেং পীনবা লাকপনি। মরু ওইনা ইন্দিয়াগী কন্সষ্টিট্যুসননা পীরিবা হ্যুমেন রাইটস মৎপগী থৌওংশিংগী ভিক্তমশিংনা ৱায়েলশঙগী মতেং লৌনবা হোৎনবদা লিগেল সার্ভিসনা অচৌবা মতেং পীরি।

মণিপুরগী ওইনসু ১৩৪ লিগেল এইদ ক্লিনিক লৈবগা লোয়ননা পেরা লিগেল ভলন্টরি লিশিং ১ রোম্না হায়রিবা লিগেল এইদ ক্লিনিকশিং অদু চলাইদুনা মণিপুরগী মীয়ামদা অচৌবা মতেং পীদুনা লাক্লি। লাইরবশিংনা কেস থেংনবা মতমদা খুদোংচানবগীদমক্তা লেম্না প্রোসিক্যুসনগী মতেং পীবা, কন্দাইদা করম্বা ৱাকৎকনি খঙদ্রিবশিংদা মফম তাকপীবা অমদি লিগেলগী ওইবা স্কিমশিংগী মতাংদা মীয়ামদা ৱাখল তাহনবনচিংবা থৌরম কয়া ষ্টেট লিগেল এইদ ক্লিনিক্না পীদুনা লাক্লি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা...

*লমায় ১গী মখা*...এম এল এ ৬০ গী স্পিসিয়েল দিসিজন অমা লৌবীয়ু। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ফেসসিজম দিক্টেটরসিপ মোদেলদা লৈবাক ঙাক্লক্লবদি কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টেগ্রিটি (কোকোমি) গী লমজিং মখাদা প্রাইভেট স্কুল দিভলপমেন্ট কাউন্সিলনা তোঙান তোঙানবা ফিরেপ লৌরক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## তামেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী...

*লমায় ১গী মখা*... শিন্নদুনা ফমহনবীরে লোয়ননা মফম অসিগী মহৌশাগী ওইবা ফজবা কয়া টুরিষ্ট স্পোট ওইনা শেমগৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি। অদুবু মরু ওইরিবদি লম্বীগী ফীভম অসিনি। চহী ১০ হেন্না কোলা থাদবা মফম য়াওরিবনি। মফম খজিক্তা কোইলা তৈরগা থবদুনা শেল মাঙহনবা ওইনা থোকই। মদুনা অকক্নবা মফম অমদা খরা কুইনা চৎনবা থাহন্নীংই। মরু ওইনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল চৎপগী লম্বী কোইলা তাবীদনা লৈরে। অসিগুম্বা অথু-অকায় চৎনরিবা লম্বী অসি ফাওবা শেম্বীদে। লৈঙাক্না অথুবদা মায়কৈ অশোমগী লম্বীশিং অসি শেম্বীহন্নীংই। লোয়ননা তামেংলোংদা ওরেঞ্চ ফেষ্টিভেল পাঙথোক্কদবসু কুইদ্রবনি। লৈঙাক্কী মীওই কয়াসু তোইনা লাক্লগা লম্বীগী খুদোংচাদবা খঙবীদবসে নুংঙাইতে হায়না ফোঙদোকখি।

## সি এম বিরেননা লুচিংবা টিমনা ঙসি অয়ুক...

*লমায় ১গী মখা*...

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী বামোন কম্পুদা লৈবা পাইয়োনিয়ার একাদেমীদা একাদেমী অসিগী মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিংনা ইম্ফাল য়াইরিপোক লম্বীদা থোরক্তুনা হ্যুমেন চেন শেম্লগা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই, লোং লিভ মণিপুর হায়বা খোল্লাওশিং লাওখি। ক্ষেত্রি অৱাং লৈকাই মিনা কৈথেলদসু য়ুনাইটেদ ৱুমেন রাইটস দিফেন্দেরনা শিল্লগা মায়কৈ অদোমগী নুপী কয়ানা শরুক য়াদুনা চেকশিন মীফম চত্থখি। ৱাহেং লৈকাই য়ুমজাও লাইরেম্বী শঙলেনদা মায়কৈ অদোমগী নুপীশিংনা শরুক য়াদুনা চেকশিন মীফম চত্থবগা লোয়ননা মণিপুর অপুনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই, লোং লিভ মণিপুর হায়বা খোল্লাওশিং লাওখি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী লংথবাল মন্ত্রিখোং অৱাং লৈকাই মৈরা পায়বী অমসুং য়ং ফ্যুচর ওর্গনাইজেসন লংথাবালশিংনা মায়কৈ অদোমগী মীয়াম্না শরুক য়াদুনা চেকশিন মীফম চত্থখি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাঙ্গোলদা লাঙ্গোল পাইয়োনিয়ার ক্লব অমদি মায়কৈ অদোমগী মৈরা পায়বীশিংনা শরুক য়ারগা চেকশিন মীফম চত্থখি।

ইন্দো নাগা পিছ টোল্ককী ৱারোইশিননা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা খুরাইদা কোর্দিনেটিং বোদি খুরাই অমদি ষ্টর ক্লব অনীনা খূৎশম্নরগা চেকশিন মীফম চত্থখি। মীফম অদুগা মরী লৈননা কোর্দিনেটিং খুরাইগী কোর্দিটের রোসননা হায়খিবদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সি এন (আই এম) অনিনা পিছ একোর্দকী সাইন তৌনদুনা ৱারোইশিন অমা পুরকপদা মণিপুরগী মীয়াম্না তরাম্না ওকই। অদুবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ক্রিমিনেল এন এস সি এন (আই এম)বু য়োকখৎপা অমদি নুংশিবদৌনা তৌরিবা অসি ঐখোয় পূম্নমক্না খন্থবা মতম ওইরে। করিগুম্বা ঐখোয়গী অপুনবগী শক্তমদা শোকপা য়াবা ৱাখে য়াওরক্লবদি লমদম অসিগী মীয়াম্না ইন্দিয়াদগী তোখায়না তাগে হায়রক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়বসিসু খঙজিনবা ফৈ। মসিদা থোক্লকপা অফ-ফত্তা খুদিংমক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সি এন (আই এম)না পুগদবনি হায়খি।

## ভি দি এফকী পার্সোনেলশিংবু ওফিসারশিংগী য়ূম-য়ূমদা...

*লমায় ১গী মখা* ...তৌগদবা মফমশিং অসিদা ভি দি এফ ওইনা শীজিন্নুদনা থম্বগী থবক চত্থরি। হীরম অসিগী মতাংদসু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীদুনা য়েংশিনবীয়ু হায়খি।

অমরোমদা, ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেফেয়ার এসোসিয়েসন, সেন্ট্রেল কম্মিটিনা মতম কয়াগী মমাঙদগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬ কী কন্সর্ন কম্মিটিশিংগা খূৎশন্নদুনা মণিপুরদা লৈরিবা ভি দি এফ ১০,০৫০ গী মতমগা চানবা হোনোরেরিয়ম পীবিনবা অমসুং সার্ভিস সেক্যুরিটি থম্বীদুনা রেগুলরাইজেসন তৌবীনবা হায়দুনা মতম মতমগী লৈঙাক পায়রিবশিং অদুদা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু ঙসিগী পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা ভি দি এফশিংগী অৱাবা অসি খঙবীদুনা খুদোংচাদবা অমা হেক লাকপদা চীফ মিনিষ্টরনা লুনা খনবীদুনা মতম শাংনদগী তান্দুনা লাকপা দিমান্দ খরবু থবক্তা ওন্থোকপীবা অসিগীদমক য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই হায়খি।

অদুবু ভি দি এফশিংনা রেসন মণি য়াওরগা হৌজিক ফংলিবা লুপা ৭,৭৩০ অসি মতমগা চান্নবা ৱাৎপনা ইমুং-মনুং পুজরিবা মীওইশিং অসিদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরে। মরম অসিনা লৈঙাক্না অথুবদা মীৎয়েং চঙবীদুনা ভি দি এফশিংগী তলব অসি য়ামদ্রবদা লুপা ৯,০০০ য়ৌহনবীয়ু হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অসিদা কংলৈপাক্কী মৈরাগী এদিটর ইন-চার্জ ৱাংখেমচা শ্যামজাই, সেনিয়ার সিটিজেন্স ফোর সোসাইটিগী সেক্রেটরী এল সদানন্দনচিংবা মশক নায়বা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

## মণিপুর য়োল্লগা ফম কোন্দুনা ...

*লমায় ১গী মখা*... চিংনবা হেনগৎলকপনি।

ইশু অমবু মপুং ফানা ৱারোইশিন পুরকপদা কোংগ্রেসনা তরাম্না ওকই। অদুবু মদুনা চহী লিশিং কয়াগী মমাঙদগী লৈরক্লবা মণিপুরগী জিওগ্রাফিকেল বাউন্দরি অসিদা অকায়বা লাকহনবা তারবদি মদু কৈদৌনুংদা য়াবা ঙম্লোই।

কোংগ্রেস পার্টিনা কনাগুম্বা লূপ অমগী মায়োক্তা লৈবা নত্তে। ইন্দিয়া লৈঙাক ওইরবসু, লূপ অমা নৎত্রগা অমনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা শিংনরকপা থবক তৌরবদি মদুদা কৈদৌনুংদা খাঙদুনা লৈথোকপা ঙম্লোই।

লৈঙাক পায়বা পায়দবা থিদনা অপুনবগী শক্তমদা শিংনরক্লবদি পোলিটিক্স তৌবা, এম এল এ ওইবনা লুরক্লোই। মণিপুর য়োন্থোক্লগা পোলিটিক্স তৌবদি কোংগ্রেসনা কৈদৌনুংদা তৌরোই হায়খি।

কোংগ্রেসনা লৈরিবা লৈঙাক অসিদা বোল লংশিনবগী ৱাফম নত্তনা লৈঙাক অসিগী মকোকথোংবশিং অসি ৱা ঙাঙবদা ঙইহাক ঙইহাক্কী ওইনা তৌবসি তৌহন্নিংদে। ৱা ঙাঙবদা ম্যুচ্যুর ওইদবা কয়া য়াওবা অসি চেকশিনহন্নিংই।

এয়ার ফোর্সকী প্লেন শিজিন্নদুনা বি এস এফ, অসাম রাইফলস অমদি আর্মি পার্সোনেল কয়া থাজিনলকপা অসিবু হরিয়ানাগী মীখল অমদি অসামগী এন আর সিগী শিজিন্নরুবদগী হনলকপনি হায়রি। মসিদি অপীকপা অঙাং ফাওবনা করিনা করিনো খঙনরবনি হায়খি।

মহাক্না হায়, লো অমসুং ওর্দর অসি ষ্টেট সবজেক্টনি হায়রবসু হৌজিক লৈরিবা মওং অসিদি সেন্টরনা ষ্টেটতা করিগুম্বা অমত্তা তান্নরমদনা সেক্যুরিতি ময়াম থাজিনলকপা মাল্লি। মশীং য়াম্লবা সেক্যুরিতি ময়াম অমা লোইজিং লোইয়াদা লৈরিবা পুলিস আউটপোষ্টশিং, ভি দি এফ আউটপোষ্টশিং, মহৈতম্ফম শঙশিংদা ফাওবা থল্লিবনি। মসিদা লৈঙাক্না করিমত্তা ৱানিঙাই লৈতে, মীখলগী চৎলুবদগী হনলকপনি হায়না মীয়াম্বু মীনম্লি।

য়েক্নবা লৈবাক অমগা লাম্থেংননবা শেম শাবগী মওংদা চত্থরক্লিবা মওং অসিদি ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসি থবক্তা ওন্থোকপা মতমদা মদুগী মহয়দগী লো অমসুং ওর্দরদা অকায়বা লাক্কনি হায়বগী চিংনবা লৈবদগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়ার্সনা থাজিল্লকপা ওইগনি। মসিগী থবক অসি ষ্টেট খঙহন্দবা মাল্লি হায়খি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী অরোইবা য়ান্নচেরোল খূৎয়েক পীদ্রিঙৈগী মমাংদা মণিপুরগী ষ্টেকহোল্ডরশিং তান্নরমগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অদুবু চিংনরিবদি সেক্যুরিতি থাজিনলকপদা মণিপুরগী লৈঙাক তান্নরমদ্রবা কান্দা ষ্টেকহোল্ডরশিং উন্নগনি হায়বসি চিংনবা ফাওই।

হোম মিনিষ্টরনা চিংননিঙাই লৈতে হায়রবসু মীয়াম্না য়াবা ঙমদনা লৈরিবা অসিনা তাকপদি অরোইবা ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা মীয়াম্না য়াবা ঙম্লোইদবা করিগুম্বা ৱাফম খরা য়াওরব্রা হায়বসিনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না ষ্টেট অসিবু অপীকপা ষ্টেটনি করি তৌবা ঙমগনি হায়বগী ৱাখলদা তৌনিংবতা তৌরকপা তারবদি মদুগী মায়োক্তা কোংগ্রেস পার্টিনা চপ চানা থেংনগনি।

কুমজা লিশিং কয়া নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরক্নবা ষ্টেট অসিবু লূপ অমা থেম্নবা হোৎনবদা তুংদা করি থোক্কনি হায়বা খঙদনা লৈঙাক্না চঙশিল্লক্লবদি থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোকহনলকপা য়াই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মমাঙদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা মীফম কয়ারক্তা ৱারেপ লৌখিবা তারবসু হৌজিক্কী চিরবা তানফম অসিদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়না নৌহৌননা ৱারেপ লৌসি অখন্নবা সেসন কৌবিয়ু হায়বদা য়াদ্রিবা অসি প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টর কিবদগী ওইগনি। সেন্টরনা থবক অমা চত্থগে হায়না লৌখৎলকপদা মদুগী মায়োক্তা ৱারেপ লৌবা কিবদগী ওইবা য়াই। অসিগুম্বা লৈঙাক অসিনা লৈবাক কন্নবা থৌনা লৈনা থেংনবা ঙমগনি হায়বসি চিংননিঙাই ওই হায়খি।

মণিপুর লৈঙাক্না কেবিনেট ৱারেপ লৌরবা মতুংদা গভর্ণরনা অখন্নবা সেসন অসি কৌগদনি। লৈরিবা ফিভম অসিদি লৈবাক কনবদগী চৌক্রি কনবনা হেন্না লুই হায়না খনবা মাল্লি।

খুদক্তা লৈঙাক্না এসেমব্লি সেসন কৌরগা চপ চাবা ৱারেপ অমা লৌদুনা হাউসকী ফিরেপ অদু সেন্টরতা খঙহনবা য়াম্নমক তঙাইফদে।

লৈরিবা লৈঙাক্কী ফিভম অসিনদি অখন্নবা সেসন কৌরক্কনি হায়বা থাজদে। মখোয়না সেসন কৌবা কিবা অসিগী অতোপ্পা মরম অমনা লৈঙাক পায়মিন্নরিবা কোলিসন পার্টনরগী মরক্তা সেসন কৌবদা লৌগদৌরিবা ফিরেপকী মায়োক্তা ৱা ঙাঙলক্নবদি লৈঙাক্তা অকায়বা লাকপা য়াবগী ওইথোকপা অসিনসু অমনি হায়খি।।

ঙসিগী পাউগী মীফম অদুদা কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিতিগী মেম্বর গাইখাঙম, এম এল এশিং কে গোবিন্দাস, কে রঞ্জিৎ, ডা. চালটন লিয়ান অমো, এ কে মিরাবাই দেবী, কে ঐচ জয়কিষন, য়ামথোং হাউকিপ, টি ঐচ লোকেশ্বর, এম দি ফজুর রহিম অমদি